# HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




চঙাঙ্গৈ অৱাং লৈকায়দা আর কে ফোর্চুন দিভেলপর প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর আর কে রামেশ্বর অমদি মহাক্কী ইমুংনা লৈখিদ্রবী অপোকপী আর কে ওংবী মিৎলুবীগী মিংদা কৎপা য়াইফ শঙলেন শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবা

লামায় ২

হৈরোক্তা মীওই ২০০ রোম বি জে পিদা য়াওখ্রে

☛ লামায় ২

জিরিবামগী এস পিগী থবক পুগদৌরিবা এ ঘনশ্যাম তরাম্না ওকখ্রে

☛ লামায় ৩

মথৌ তৌদ্রবাময়াং ইম্ফাল পি ঐচ সী থোঙ হাংবীরনু

☛ লামায় ৪

হোম গার্দকী ফিভম নোংমা নোংমগী শীথরক্লিবসি লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু

☛ লামায় ৫

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ইগজিক্যুটিব মেম্বর খুন্দ্রাকপম মেঙ্গোর মঙাংনা খাঙবোক এ সীগী মনুং চনবা সমারাম খুঙ্গংগী মফম কয়াদা য়াওশং স্পোর্টসকা মরী লৈননা মতেং পাঙবগা লোয়ননা মনা মথুম কয়া য়েন্থোকখিবা



লামায় ৪

Vol. 45, Issue No. 006 | শগোলশেন, লমতাগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, April 01, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## নারেংবম সমরজিৎ এন আই এনা স্পেসল কোর্টতগী নুমিৎ ১৩নিগী কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে

### সমরজিৎনা বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবা প্রেয়র কোর্টনা এপ্রিল ১২দা খন্নগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচএনএস): নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা রেগ্যুলর কেস নম্বর - ১২/২০১/এন আই এ (গুৱাহাটি) অন্দর সেক্সন ১২০ বি, ৪২০ আই পি সী অমসুং ১৩, ১৭ অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট, ১৯৬৭কা মরী লৈননা থা অসিগী ২৫গী অঙনবা অয়ূক্তা ন্যু দেল্লীগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী ফারবা মতুংদা মথংগী নুমিৎতা পাটিয়ালা হাওস কোর্টতগী ঙসি ফাওবগী নুমিৎ তরুকনিগী ত্রাঞ্জিৎ রিমান্দ লৌরগা ইম্ফালদা পুরকখিবা সলাই হোলদিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী ফাউন্দর অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর ওইরম্বা নারেংবম সমরজিৎ (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জুগিন্দ্রো, তেরা লৌক্রাকপম লৈকায় এন আই এনা স্পেসল কোর্টতগী মথং থাগী ১২ ফাওবা নুমিৎ ১৩নিগী কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে।

মহাকপু এন আই এনা থা অসিগী ২৫দা মশাদা এরেষ্ট মেমো পীদুনা দেল্লী এয়রপোর্টতগী ফাগৎখিবগা পন্থদনা মথংগী নুমিৎতা মহাকপু ন্যু দেল্লীগী পাটিয়ালা হাওস কোর্টতা লৈবা প্রিন্সিপাল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, স্পেসল কোর্ট (এন আই এ) দা পুথোক্লুনা মহাকপু ত্রাঞ্জিৎ রিমান্দ পীবিনবা হায়জখিবনি।



এন আই এগী মায়কৈদগী সবমিট তৌরকখিবা প্রেয়র অদুদা কোর্ট অদুগী প্রেসাইদিং ওফিসর দিনেসকুমার শর্ম্মনা পীরকখিবা ওর্দর অমদা মহাকপু ঙসি ফাওবগী ওইনা ত্রাঞ্জিৎ রিমান্দ পীরকখিবনি।

লোয়ননা এন আই এগী টিম অদুনা মহাকপু ইম্ফালদা পুরক্লবা মতুংদা উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরনা থা অসিগী ২৯ অমসুং ৩০দা ছুটি ওইবনা মরম ওইরদুনা মহাকপু থা অসিগী ২৯দা হেক পুরকপগা পন্থদনা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা পুথোক্লুনা এন আই এগী কষ্টদিদা ঙসি ফাওবগী ওইনা রিমান্দ লৌদুনা থম্লকখিবনি।

অদুবু, দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটতগী কষ্টদি রিমান্দ লৌদুনা থম্লকখিবা নুমিৎ হুমনিগী মতম অদু ঙসি লোইশিল্লকপগা লোয়ননা উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরগী কোর্টতা ঙসি অমুক পুথোরক্তুনা মহাকপু মখোয়গী কষ্টদিদা নুমিৎ ১৫নিগী রিমান্দ পীবীনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি।

কোর্টনা এন আই এগী মায়কৈদগী তৌরকখিবা রিমান্দ প্রেয়র অদুগী নুমিৎশিংগী মনুংদগী নুমিৎ নীনি ককথরগা মথং থাগী ১২ ফাওবা নুমিৎ ১৩নিগী ওইনা রিমান্দ পীখিবনি।

ঙসি মহাকপু এন আই এগী কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর ওইরিবা ইন্সপেক্টর দিপক থাপানা মহাক্কী এসিষ্টেন্ট ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরগা লোয়ননা কোর্ট অসিদা পুথোরকখিবদা এন সমরজিৎকী মায়কৈদগী এন আই এনা তৌরক্লিবা রিমান্দ প্রেয়র অদুবু ওবজেক্সন তৌরদুনা মহাকপু কেস অসিদগী বেল পীবীনবা হায়জরকখি। অদুম ওইনমক স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুর ৱাইখোম তোনেন মৈতৈনা পীখিবা ওর্দর অমদা এন সমরজিৎকী মায়কৈদগী তৌরকখিবা বেল প্রেয়র অদু কোর্ট অসিদা মহাক্কী সেকেন্দ প্রদক্সন ওইগদৌরিবা মথং থাগী ১২দা ওইনা খন্নরগনি হায়খি।

কোর্টকী মায়কৈদগী মহাকপু এন আই এনা ফারিবগী মরম খঙলব্রা অমসুং মহাক্কী হকচাংদা করি করম্বা নুংঙাইতবশিং লৈবগে হায়না হংখিবদা মহাক্না মহাকপু ফাবগী মরম খঙই হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী মশাদা নুংঙাইতবা করিসু লৈতে হায়না পাউখুমখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## জেন্দর গেপ ইন্দেক্সতা ইন্দিয়াগী মফম ২৮ হন্থরক্লে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) : ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমগী গ্লোবল জেন্দর গেপ রিপোর্ট ২০২১দা ইন্দিয়াগী মফম ২৮ হন্থরক্তুনা লৈবাক ১৫৬কী মনুংদা ১৪০শুবদা লৈরে।

মমাঙ চহীদা ফোঙখিবা গ্লোবল জেন্দর গেপ ইন্দেক্স ২০২০দদি ইন্দিয়ানা লৈবাক ১৫৩গী মনুংদা ১১২শুবদা লৈখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা নুপীনা নুপাদগী শোত্থনা লৈরি। মরু ওইনা পোলিটিকেল ইম্পৱারমেন্ট সব ইন্দেক্সতা ইন্দিয়াগী মফম কা হেন্না হন্থরকখি। কুমজা ২০১৯দা নুপী মিনিষ্টর চাদা ২৩.১ লৈরম্বদগী চহী অসিদদি চাদা ৯.১দা হন্থরক্লে।

প্রোফেসনেল অমদি টেক্নিকেলগী ওইবা থৌদাং লৌবগী মতাংদসু নুপীগী ফীভম হন্থরক্লে হায়না পল্লদুনা রিপোর্ট অসিনা হায়, মেনেজরগী ফম চাদা ১৪.৬ খক্তমক নুপীনা পায়রি। খ্বাইদগী মকোক থোংবা মেনেজরগী ফম পায়বগী মতাংদদি চাদা ৮.৯ খক্তনি। শেন্থোক য়াম্বগী মতাংদসু নুপা অমদি নুপীগী মরক্ত চাউনা খেন্নবা লৈরি।

নুপা অমনা তানবা শেনফমগী শরুক মঙা থোকপগী অমখক্তমক নুপীনা তানবা ঙম্লি। মদুনা মরম ওইরগা গ্লোবল জেন্দর গেপ ইন্দেক্সতা ইন্দিয়াগী মফম হন্থরকপনি হায়না রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোক্লি।

নুপীবু হন্থবা থাক্তা থম্বগা লোয়ননা 'হেল্থ এন্দ সর্ভাইবেল' সব ইন্দেক্সতা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী মনিং থংবা লৈবাক মঙাগী মনুং চল্লি। পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাং নুপানি নৎত্রগা নুপীনি হায়বা মাঙজৌননা খঙদোকপগী থৌওং চত্থবা মরম্না ইন্দিয়াদা অঙাং নুপা পোকপগী চাং ৱাংলি। মহে মশীন তম্বগী লম্‌দসু নুপীনা নুপাদগী শোত্থনা লৈরি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী চাদা ৩৪.২ ইবা-পাবা ঙমদ্রি। নুপাগী ওইনদি ইবা-পাবা ঙমদবগী চাং চাদা ১৭.৬ খক্তনি হায়রি। য়ূমলোন্নরিবা লৈবাকশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা বাংলাদেশনা গ্লোবল জেন্দর ইন্দেক্সতা ৬৫শুবদা ইন্দিয়াদগী মাঙজিল থানা লৈরি। নেপালসু ইন্দেক্সকী ১০৬শুবদা লৈরি।

সাউথ এসিয়াদা ইন্দিয়ানা ইন্দেক্স অসিদা মাঙজিল থাবা ঙম্লিবসি পাকিস্তান অমসুং অফঘানিস্তান খক্তনি। পূন্না নুপী বিলিয়ন ০.৬৫ লৈবা ইন্দিয়াদা নুপীগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমদ্রি হায়না রিপোর্ট অসিদা ময়েক শেংনা পল্লি।

## মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : আধার নম্বর অমদি পান (পর্মনেন্ট একাউন্ট নম্বর) লিঙ্ক তৌবগী অরোইবা মতম জুন ৩০ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা লাওথোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী য়েংলগা আধার অমদি পান লিঙ্ক তৌবগী মতম শাংদোকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস (সী বি দি টি)না থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপনা টেক্স থীরিবা মীওইশিংদা মায়োক্নহল্লিবা খুদোংচাদবশিংগী য়েংলগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা জুন ৩০ ফাওবা মতম শাংদোক্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। হান্নদি মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা আধার অমদি পান লিঙ্ক তৌগদবনি হায়না লাওথোকপা লৈখ্রে। করিগুম্বা অপিবা মতমগী মনুংদা আধার কার্দকা লিঙ্ক তৌদ্রবদি পান কার্দ ইনভেলিদ ওইরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি মমাঙ চয়োলদা পার্লিয়ামেন্টনা ফাইনান্স বিল ২০২১ পাস তৌদুনা ২৩৪ ঐচ কৌবা অনৌবা সেক্সন অমা হাপচিনখিবগা লোয়ননা পান অমদি আধার কার্দ লিঙ্ক তৌদবা মীওইশিং ফাইন থীহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

## খূৎয়েক পীনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : শিজ হোস্পিটালদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা হেন্না ফংহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা জপানগী এম্বেসেদর ওইনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা সুজুকি সাটোসিনা শিজ ফাউন্দেসনগা দোলর ৬৫,২২৫গী গ্রান্ট কন্ত্রেক্ট পেপর খূৎয়েক পীনখ্রে।

চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন্দা জপাননা গ্রান্ট এসিষ্টেন্স ফোর গ্রাসরুট প্রোজেক্ট (জি জি পি) হায়না মীংথোনবা স্কিম অমা পায়খৎতুনা লাকখি। জপাননা থাদরক্কদৌরিবা শেনফম অসিনা শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসন্দা অনৌবা মখলগী খূৎলায় কয়ামরুম লৈবগা লোয়ননা দাইবেটিক রেটিনোপেথি, ভিত্রিও-রেটিনেল দিজিজ অমদি গ্লোকোমানচিংবা লায়না কয়া লায়েংনবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।

## শন্দং শেনবা মরিং খুনদা থোকখিবা থৌদোক থিগৎনবা কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচএনএস): হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী শন্দং শেনবা মরিং খুনদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মরী লৈননা অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্নবা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটি অমা শেমখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (আর দি এন্দ পি আর) নিধি কেশরৱানিনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না থৌদোক থোকখিবগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লগা মতুংদা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক অমুক হন্না থোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কনাগুম্বনা ইনফোর্মেসন অমদি খুদম চাংদম পীনীংবা লৈরবদি সেক্রেটরিএট (সাউথ ব্লোক) তা এপ্রিল ৫ ফাওবগী মমাঙদা অয়ূক্কী পুং ১০দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবদা পীশিল্লকপা য়াগনি। কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্না মীওই ৫দগী হেন্না ওফিসতা চঙনবগী অয়াবা পীরোই হায়রি।

অমরোমদা, অন্দ্রো অমদি শন্দং শেনবা মরিং খুনগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমা থোকখিবগী মতাংদা ওল মণিপুর মুসলিম ওর্গনাইজেসন্স কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (অমোকোক) না নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কাঙলূপ কয়ানা খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসিদা ৱাখল তানবা ৱাৎপদগী মরক-মরক্তা ফুরুপ মশেল মুক্নবগী থৌদোক থোরক্লিবসি কিনীংঙাইগী মশকনি। ইচিন ইনাও ওইরিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## এক্টিভ কেস ৭০ য়ৌরে, মীওই লিশিং ৮৬ হেন্না ভেক্সিন কাপখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিগী ওইনা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা এক্টিভ কেস মশীং তপ্না তপ্না হেনগৎলক্তুনা ৭০ য়ৌরে, মীওই লিশিং ৮৬ হেন্না কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৫ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনল ২ য়াওনা পুন্না মীওই ৭ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী আর এ টিদা ৫, রিমসতা ১ অমসুং রাজ মেদিসিটিদা ১ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৫ মক ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ঙাক্তনি। মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কেস মশীং ২৯,৪০০ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৯৫৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪৪৪নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৮,৯৫৬ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৫২৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪৩৩নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৪৮ য়ৌরে। অদুগা কেস ৭০ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৬৩ অমসুং সেন্ট্রেল ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী প্রোজেক্ট ৫ মীয়ামদা শিন্নখ্রে



ককচীং, মার্চ ৩১ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুর মীয়ামগী থৌগল তৌরকপা চহী মরি মপূং ফারকপগা মরী লৈননা চহী অসিগী মার্চ ১৫দা পাঙথোকখিবা থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা শঙ্গাখিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা য়াওখিবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী প্রোজেক্ট ৫ দেপ্যুটি সী এম ৱাই জয়কুমারনা ঙরাং মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে।

মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রবা প্রোজেক্টশিং অদুদি, সেকমাইজিনদা শাবা কোল্ড রুম এন্দ প্রী কুল্লিং য়ুনিট, খোঙয়ামদা শাবা কলেক্টিভ, এগ্রেসিভ এন্দ গ্রেদিং য়ুনিট, ককচীং মমাঙ চীংদা শাবা ইনপুট দেলিভরি য়ুনিট, কলেক্সন এন্দ এগ্রিগেসন সেন্টর এন্দ স্মোল প্রোসেসিং য়ুনিট, রান স্টোপ সেন্টর ককচীং অমদি সব দিভিজনেল এগ্রিকলচরেল ওফিসনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচীংনা শীন্দুনা দি সী ওফিস ককচীংগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা প্রোজেক্ট মঙা মীয়ামদা খূৎশিন্নবগী মপূং ওইবা থৌরমদা দেপ্যুটি সী এম ৱাই জয়কুমারনা অথোইবা মীথুং, মনিদকোগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা হিয়াংলম এ সীগী এম এল এ, ৱাই রাধেশ্যাম, ককচীং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বর দেপ্যুটি কম্মিস্নর ককচীং কেঙ্গু জুরিংলা অমদি এস পি ককচীং, ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক ...মখা লামায় ৩ কলম ২


## HL Poll

Q:Handakki yaoshang manungda leingakna meepum khudingmak Covid-19gi SOP ngakna chatha hanba ngamkhi haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Yaoshang manunggi oina leingakna laothokhiba chatna kanglon ngaktabasinggi mathakta policena action loukhathaningbra?

Yes 64% No 36%


### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩২.০০ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৯.৩৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৯.৮৫
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.০৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩০

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- তামো, খূৎ শম্নদনা চোঙবসিসু নুংঙাই।



- হিংবু হিংলদি জাৎ-জাৎ থেংনরকই।

## য়ু কে এল এফকী ২৬শুবা কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচএনএস): ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (শু) খূৎয়েক পীনরিবা য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু কে এল এফ), গভর্ণমেন্ট ওফ খুলমিগামগী ২৬শুবা রেজিং দেগী থৌরম মার্চ ২৯, ২০২১দা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবরোলদা লৈবা য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু কে এল এফ) কী "নজারেথ কেম্প মুভানফোই" দেজিগনেটেদ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে।



থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ু কে এল এফকী চ্যেরমেন এস এস হাওকিপনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়, তাইবঙ মপুগী থাজবা অমসুং থৌজালদগী লূপ অসি ২৬শুবা মপোক নুমিৎ পাঙথোকপদা ঐখোয়গী পন্থুংফমগী খোঙচৎতা থৌনা ফরবা থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবশিংগী মফমদা অৱাংবা ইকায়খুম্নবা উৎচরি। কাঙলূপকীদমক মখোয়গী চাউরবা থৱায় কত্থোকপা অসিদা ইকায়খুম্নজে অমদি মখোয়গী ইমুং ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## মৈগী ফীভম নুংশিৎ শিৎপদা মুৎপা থাওমৈগা পাঙ্খক ওইরে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচএনএস): প্রি পেদ লাকপদগী মৈগী ফীভম নুংঙাইরে হায়নরবসু নোং খজিক হেক চুরকপদা মণিপুরগী অয়াম্বা মফমদা মৈ মুথৎপগী থৌওং অসিদা পেন্দবগী ৱাকৎশিং মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

নোং খজিক হেক চুবা হৌরকপদা মৈ মুৎপগী থৌওং অসি লিশাং-শিৎনা অদুমক মণিপুরদা থোক্তুনা লাক্লি। য়াম্না কনবা নোংলৈ-নুংশিৎ লাকপদগী ৱায়র তৎপা, পোষ্ট তুবা অমদি ট্রান্সফোর্মর য়াখিদবগী মৈ মুৎখিবা ওইরবদি ঙসি লমদম অসিগী মীয়াম্না শাওনরিবা অমদি পেন্নদ্রিবা অসি থোক্লমদবসু য়াই। অদুবু লমদম অসিদা চৎনবি অমা ওইনা নোং হেক চুবগা অমদি নুংশিৎ খজিক শিৎপা হৌরকপদা মৈ মুৎপা অসি তোইনা থোক্লি হায়নসু মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি।

তশেংনা হায়রবদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি মতম অমগী মণিপুরদু নৎত্রে। মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মৈগী মতেংনা অপিক-অপিকপা কম্পেনিশিং অমদি ইন্দষ্ট্রি কয়া লেপ্পা লৈতনা থবক তৌরি। হায়রিবা অপিক-অপিকপা কম্পেনিশিং অমদি ইন্দষ্ট্রিশিং অসি মৈ য়াওদনা থবক তৌবা ঙমদে। অসিগুম্বা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## ম্যান্মারদগী চেনশিল্লকপশিংদা লৈঙাক্না মতেং পাংলি

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : য়ুমলোন্নবা ম্যান্মারদগী চেনশিল্লকপা মীওইশিংদা লৈঙাক্না অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলি হায়না হোম দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। রিপোর্ট অসিনা হায় ম্যান্মারদগী অয়াবা য়াওদনা চংশিল্লকপা মীওইশিংগী মতাংদা হোম দিপার্টমেন্টনা মার্চ ২৬তা চান্দেল, তেংনৌপল, কামজোং, উখ্রুল অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংদা থারকখিবা চেরোল অমা মখা তানা চৎনহন্দনবা লৈঙাক্না ৱারেপ লৌরে। চেরোল অদুনা মরম ওইরগা মীয়ামদা চমম্নবা পোকহনবগা লোয়ননা লান্না লৌখিগদবা ৱাফম লাকপদগী লৈঙাক্না অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

অমরোমদা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)না ম্যান্মারদা হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক অমসুং লৈবাক অদুগী অৱাবা তারবা মীওই কয়া ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা ষ্টেট অসিদা চেনশিল্লকপগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা এম পি পিগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম কৃষ্ণদাসনা হায়খি, অৱা-অনা তারবা ম্যান্মারদগী চেনশিল্লক্লিবা মীওইশিংগী মতেং পাংনবা লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## নাগাগী তোখায়বা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসন লৈহনবগী ৱাফম মন্তিক্নবা য়ারোই : এন এস সী এন

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচএনএস): নাগাশিংগী তোখায়বা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসন লৈহনবগী মতাংদা মন্তিক্নবা য়ারোই হায়না গভর্ণমেন্ট ওফ দি পিপলস রিপব্লিক ওফ নাগালিম/নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম (জি পি আর এন/এন এস সী এন) গী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নাগা হোহো, নাগা ত্রাইবেল হোহো অমসুং নাগা সিভিল সোসাইটিশিংগী অয়াবা য়াওরগা এন এস সী এননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানদুনা নাগা ফুরুপকী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৯৭কী ওগষ্ট ১দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এনগী মরক্তা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনরে হায়বা ৱাফম ওফিসল ওইনা লাউথোকখিবা মতমদা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা পোলিটিকল দাইলোগ চত্থবগী ৱাফম য়ানখি। প্রাইম মিনিষ্টরগী থাক্তা ৱারী শানগদবনি হায়না য়ানখ্রবা মতুংদা নাকল অনীনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা কয়ারক হন্না ৱারী শানবা লৈখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা ইন্টরলোক্যুটর অমা খনখিবগা লোয়ননা এন এস সী এনগী ওইনদি জি পি আর এনগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱারী শানবদা শরুক য়াখি।

নাগা ফুরুপকী শক্তম ময়েক শেংনা তাক্লিবা ফিরালগী মতাংদা অরানবা ৱাহন্থোক পীদুনা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা খুরৌ থাংহন্দুনা লাকখি। নাগা সিভিল সোসাইটিশিংগা তানবা হায়বসিনা তোঙানবা ৱাফম অমনি। অদুবু ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল দাইলোগ চত্থবা মতমদদি অকক্নবা কাঙলোন খরা নাথৈদুনা থমলম্বা চুমদে। চহী ২০ হেন্না ৱারী শানদুনা লাক্লবা মতুংদা নাগাগী তোখায়বা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মতাংদা য়েৎনবা থোরক্লিবসি দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা অশোয়বনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৯৭০গী পরিং ফাওবা নাগালেন্দবু য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরস (এম ঈ এ) গী মখাদা থম্লম্মী। মসিনা তাকপদি য়ানবা অমগী মখাদা নাগালেন্দনা ইন্দিয়াগী শরুক ওইরকখিদে হায়বনি। নাগাশিংনা খুন্দাবা মফমদা আর্মদ ফোর্সেস ...মখা লামায় ৩ কলম ১




HL-B/6873/24/3-25/4